


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, NOVEMBER 11, 2017 PAGE 7


*ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কাগী নুপা ক্রিকেট টিমগী ওইবা টেষ্ট সেরিজদা ইন্দিয়াগী টিমদা মমাঙগী মেটচশিংদা শরুক য়াখিবা হন্দক্কী সেরিজ অসিদা শরুক য়ারোইদৌরিবা হর্দিক পান্দিয়া*

*স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনাগী শান্নরোই অমা ওইবদা নত্তনা লৈবাক অদুগী নেসনেল টিমগীসু টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াখ্রবা মিড ফিল্ড পোজিসনদা শান্নরিবা সিজন অসিগী লোইরকপদা পোখারগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ঝাবি হর্নান্দেজ*



## চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর মোডিগা উন্নখ্রে



*চহী অসিদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পূৱারীদা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা মহুৎ শিনখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি*

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১০ঃ*

মালেমগী ফুটবোল লমদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলুপকী ওইবা ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকপদা চহী ১৭ মখাগী ওইনা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী পূৱারীদা অহানবা ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী ওক্তোবর থাদা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অদুগা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগা উন্নখ্রে।

ফিফা ৱার্ল্ড কপকী চহী ১৭ মখাগী য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মহাক্কী চেম্বরদা কৌদুনা উন্নখিবনি।

শান্নরোইশিং অদুনা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা শরুক য়াদুনা থেংনখিবা টিমশিং অদুবু অকনবা লম্বা পীবা ঙমখিবনি।

ফুটবোলগী লমদা ইন্দিয়া অতোপ্পা মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মশান্না অসিগী দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামদা য়াম্না শোথরি।

পনবা য়াবদা য়ুরোপ অমদি সাউথ অমেরিকাগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা চহী ঙল্লিঙৈদগী ফুটবোল শান্নবা হৌরি।

মসিদসু নত্তনা ফুটবোল মশান্নগী টেলেন্ট খরা লৈবা শান্নরোইশিং খনগৎতুনা লেং মান্নবা শান্নরোইশিং পুনশিল্লগা ফুটবোল একাদেমী অমদা থম্লগা মখোয়না মখা তানা শান্নগদবা মেটচশিংদা চুংশিন্নবগীদমক পুন্না লৈমিন্নদুনা শান্নবগী প্রোগ্রাম শিল্লি।

অমরোমদা মমাঙ থাদা ইনিদয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লোইশিনখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ইংলেন্দগী টিম্না চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মশান্না অসিগী ওইনা অফবা শান্নরোই পুথোক্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ফুটবোল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি য়ুরোপ, সাউথ অমেরিকা অমদি অতোপ্পা ফুটবোল শান্নবা থাক ৱাংবা টিমশিংগী লৈবাক্কী ওইবা দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না থাক খেৎনরি।

চহী নৌরিঙৈদা মশান্না অসিদা শান্নরোই খোমজিল্লগা ত্রেনিং পীবগী থাক অদু ইন্দিয়া য়াম্না নেম্লি।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইখিবদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুবু ওক্কুনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নননা শান্নরোইশিং অদুদা পূক্নিং থৌগৎপা ৱাহৈ ফোঙদোক্লদুনা মখোয়না মখা তাবা মালেমগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংদা অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল শান্নরোইশিং অসিনা লাক্কদৌরিবা চহী খরা অসিদা অপুনবা টিম অমা ওইনা শান্নদুনা লৈহনবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

লোইশিনখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অদুগী অনীশুবা গ্রুপ মেটচতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কলম্বিয়াগা শান্নবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী জেক্সননা পাঙ্গল অমা চনখিবা অদুসু য়াম্না ফজবা তাঙ্কক অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা মখা তানা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অদু ফোঙদোত্তুনা শান্নরোইশিংগী পূক্নিং থৌগৎখি।

## মালেমগী নুপীগী টেন্নিস টিম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফেদরেসন কপ ২০১৭ ফাইনেলদা বেলারস অমসুং য়ুএসএ লম্বা তৌনরগনি

*মিন্সক, নবেম্বর ১০ঃ*

বেলারসকী সিটি মিন্সকতা লৈবা সিঝোকা এরেনাদা হয়েং শান্নগদৌরিবা মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী নুপীগী ওইবা টিমগী ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক অদুগা য়ুএসএগা কুমজা ২০১৭ কী লম্বা তৌনরগনি।

হয়েং শান্নবা হৌগদৌরিবা ফেদরেসন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী অহৌবা সিঙ্গলস মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক বেলারসকী শান্নরোই আলিয়াকসেন্দ্রা সাসনোভিস অমসুং য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিনা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই সাসনোভিস অমসুং ভান্দিৱেগিনা মখোয় অনীগী কেরিয়রদা অহানবা ওইনা মালেমগী লৈবাকশিংগী টিম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফেদরেসন কপ্তা থেংনগদৌরিবনি।

শান্নরোই অনীমক মখোয়-মখোয়গী লৈবাকশিংগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরকখিবা ফেদরেসন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস মেটচশিংদা মেটচ অমদা মায়থিদনা লাক্লি।

সাসনোভিস অমসুং ভান্দিৱেগি অনীগী মেটচ অদুগী অথোইবা শান্নরোই অদুনা কুমজা ২০১১ দা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই পেত্রা কিটোভানা মহাক্কী হৌখিবা ফেদরেসন কপ সিঙ্গলস মেটচশিংদা মায়থিখিদবা অদুগী মতুং হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইগদৌরিবনি।





*ফেদরেসন কপ টেন্নিস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা বেলারসকী সাসনোভিস অমসুং য়ুএসকী কোকো ভান্দিৱেগি*

ফেদরেসন কপ ফাইনেল অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা বেলারসকী মায়কৈদগী শরুক য়াগদৌরিবী শান্নরোইশিং অদুদি আলিয়াকসেন্দ্রা সাসনোভিস, অরিনা সভালেনকা, ভিরা লাপকো অমসুং লিদজিয়া মারোজাভানি। অমরোমদা য়ুএসএগী মায়কৈদগী শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি কোকো ভান্দিৱেগি, স্লোনে ষ্টেফেন্স, এলিসন রিস্কে অমসুং সেলভি রোজর্সনি।

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ২২ অমসুং ২৩ দা শান্নখিবা ফেদরেসন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএনা য়ুম্বু ওইরগা জেক রিপব্লিক্কা শান্নবদা মেটচ ৩-২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা বেলারসকী মিন্সকতা স্বিজরলেন্দবু য়ুম্বু লৈবাক অদুনা মেটচ ৩-২ দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

## ফিফাগী করপসন ত্রাইয়েলগীদমক জুরি অমসুং ওল্টরনেট ১৮ খনখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ১০ঃ*

মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লুপ ওইরিবা ফিফাগী ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা করপসন তৌরম্বগীদমক য়ুএসএগী সিটি ন্যু য়োর্কতা চত্থগদৌরিবা ফিফা করপসন ত্রাইয়েলদা জুরর ১২ অমসুং ওল্টরনেট ৬ খনখ্রে।

ত্রাইয়ল অদুদা ফিফাগী মমাঙদা থাক ৱাংনা ফম পায়রম্বা ওফিসিয়েলশিংগী মনুংদা মশা-মশাগী শেল কা-হেন্না পায়বা ঙমখিবা মেম্বর ৩ গী মথক্তা ত্রাইয়ল অদু চত্থগদৌরিবনি।

করপসন ত্রাইয়ল অদুদা ফুটবোলগী মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী ওফিসিয়েলশিং শেনজা-থুমজাগী মতাংদা শরুক য়াখি হায়বগী মরমদা করপসন ত্রাইয়েল অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০১৫ গী মে ২৭ তা ফিফাগী ওফিসিয়েলশিংনা মালেমগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা শেনজা-থুমজাগী মতাংদা চিংনবা লৈ হায়না ফোঙদোকপা ৱাফম লৈখ্রবনি।

ফিফাগী লুপ অসিদা পুন্না করপসনগী মতাংদা স্কিম ১৫ অমদি তোঙান-তোঙানবা লোগী ৱাংমদা পাঙথোকখিবা কেস ৯২ লৈরিবনি। হায়রিবা মক শীং অসিগী মনুংদা কেস ২৪ শেং দোকখ্রবনি। অদুগা লৈমহৌরিবা অতোপ্পা কেসশিং মখা তানা ফিফাগী দিভেলপমেন্ট কমিতিগী মায়কৈদগী কুপ্না থিজিনবগী থবক পায়খৎলি হায়খি।

## মণিপুরনা মালেমদা খুদোল তম্বা মশান্নদি শগোল কাংজৈ মশান্নগী মিংনি, মীরোলগী ওইবা ‘পোলো’ হায়বসি নত্তে

### এল. কালা, উরিপোক

সঙাই লাবা অমোম নখোয়নিনা মালেমগী মফম অমত্তদা পোত্তদুনা ইরমদম লমদম সনা লৈবাক মণিপুরসিদা পোকপীরম্বনা লমদমসি লাইবক ফবা চাওথোকচনিংঙাই ওইরেদো মালেমসিদা হিংলিবা খুন্নাইশিংগী মমাঙদা। নঙগী পোকফম লমদম লোক্তাক লাইরেম্বীগীদি মশাইকোন শান্নফম মফম কৈবুল লমজাও খঙদবা লৈত্রেদো ঙসিদি পৃথিবী মীয়াম্না। লাইবক ফৈদকো নঙসে শা-লত্তগী নমিংবু নরোমদোম মীপাল তাংদুনা চয়েৎনদনা ‘সঙাই’ হায়না কৌনহন্দুনা খঙহন্দুনা পৃথিবীগী মফম খুদিংদা নুংশিরবা লৈনম্না শিন-থুংনা চাইবগুম্না নোংপোক্তগী নোংচুপ, খাদগী ৱাংদা, অমুক্তংদি পূন্সি শকখঙ মায়খঙনসি নুংশি খুৎপাই চেৎনা পায়শিনমীন্নদুনা মালেমসিদা ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোনদা ঐগী পোক্লফম লমদম মণিপুর শান্নফম মফম কৈবুল লমজাওসিদা নবেম্বর কুনমাথোই লিশিং অনী তরাতরেৎনা মাঙদা লেপ্পরবা ইন্টরনেসনেল সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৭ সিদা।

সঙাইনা সঙাই হায়না মীংগৌনদুনা পৃথিবীগী মফম অমত্তদা ফংদবা শশনি হায়না পৃথিবীদা মীয়ামমাঙদা ইচং থৌনা মতিক মঙাল লৈনা হিংলগা সঙাইগুম্না পৃথিবীগী মফম অমত্তদা ফংদবা কাঙলুপকী ওইবা মৈতৈ শা শগোল অদুগা পৃথিবীগী লৈবাক অমত্তনা হৌদোকখিদবা মণিপুরনা হৌদোকচখিবা মণিপুরদা পোকখিবা শগোল মাবু তোংদুনা খূৎতা কাংজৈ পায়দুনা হুন্না মতুম কাংদ্রুম য়ৈনা মীংচংখায়না শান্নবা মীংদি ‘শগোল কাংজৈ’ হায়না মিংগৌনরকখিবা খঙনরকখিবা মশান্না অসিগী মিং অসিবু ঙসিদি ইন্টরনেসনেল সঙাই ফেষ্টিভেলনা লাকপদা মালেমদা অহানবা শগোল কাংজৈ শান্নফম লম্পাক মপান কাংজৈবুংদা তাইওন্নবা মওংগী ওইবদা চাওনা ইরগা থেৎলি মীয়ামদা খঙজসনু হায়বগী মওংদা মানবা পাওজেল ওইনা ‘MANIPUR GAVE THE WORLD THE GAME OF POLO’ মণিপুরনা পৃথিবীদা খুদোল তম্বদি ‘শগোল কাংজৈ’ কৌবা মিং অমগী মশান্নসিনি, পোলো হায়বা মিং অসিদি বৃটিশনা মখোয়না খঙনজবা মখোয়গী ওইবা লোলদা খঙনবা লোলনি। মতাং স্বাইদা চয়েৎনবা অমা থোরক্লিবসি ঙসি মণিপুর মীয়াম্না লুম্না লৌনদে খন্নদে। ঐখোয়না হৌদোকচবা মশান্না অমগী মিংবু মীগী মরোলগী ওইবা খঙনবদা পৃথিবীদা খঙনহনখিবা অসিবু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়বা চুল্লোই। মণিপুরদা পোলো হায়বা মীং থোনবা মশান্না লৈতে, মণিপুরনা হৌদোকচবা খুদোল তম্বা মশান্নগী মিংদি ‘শগোল কাংজৈ’ কৌবা মশান্নগী মিংসিনি।

মরমদিনা থারিবসে ‘MANIPUR GAVE THE WORLD THE GAME OF SAGOL KANGJEI’ হায়না থাবনা চুমগনি।

মণিপুরদা পোনী কৌবা শা অমত্তা লৈতে, শগোল কৌবা শাদি শগোল কাংজৈ শান্নবদা তোংনবা শা ওইনা লোইনরকখিবনি, অতোপ্পা লৈবাক্কী লোল, জাতিগী লোলনা খঙনজবদি ঙাংজবদি করিসু কায়দে, মরমসিদগী চাওনা থারিবসিদা ‘SAVE MANIPURI PONY THE ORIGINAL POLO PONEY’ থারিবসিগী মহুত্তা ‘SAVE MANIPURI SHAGOL THE ORIGINAL SHAGOL KANGJEI SHA’ হায়না থাবনা চুমগনি, তুংগীদমক খল্লগা মমিং ওইবনিনা মমিংসি শিজিন্নহৌনবা ৱাখল্লোন্না চুমগনি। লৈবাক অমদি শগোল কাংজৈ শিনবীরিবা ময়াম্না শোয়দনদি খঙলমগনি শগোল কাংজৈ মিংগৌবা অমা শান্নবা লমদমসিদা হৌখিবদি মৈতৈ পুয়া কাংজৈলোলদা কাংবা নিংথৌ হাক্তত্তগী শান্নরকখ্রে হায়না মখা তারকপা তাঙ্কক অমা মৈদিংঙু খগেম্বনা (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) শগোল কাংজৈ শান্নবা হেন্না মশক থোক্লা চাওখৎনবা হোৎনখি। শোক ১৬০৬ তা পানা কাংজৈ শান্নবা হৌদোকখি, মীচঙ অমমমদা মী তরেৎ তরেৎনা মীচঙ ওইনৈ। কাংজৈরোই তরেৎমক্কী মমিং থোল্লি (১) পনঙাকপা, (২) পনঙাকচঙ, (৩) পল্লক, (৪) লাঙজৈ, (৫) পল্লক, (৬) পঞ্জেনচঙ অমসুং পঞ্জেনবা অসিনি।

শোক ১৭৯৮-১৮০১, মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু লবৈন্যচন্দ্র মপান কাংজৈবুংদা শগোল কাংজৈ শান্নবা লোইরগা শগোলদগী কুমথরকপদা হাৎখিবগী ৱারী লৈরি। মপাল কাংজৈবুং অদুমক কৌই পোলোগ্রাউন্দ হায়দে। মরমসিনা লম্পাক্কী মমিং ইম্ফাল, মপাল কাংজৈবুং হায়না মালেমদা কৌনখিবনা ঐখোয়গী চাওথোকচনিংঙাই ওইগনি। আমমাংঙৈদগী কৌনদুনা লাক্লবা মিং অমবু সহেবনা হায়বনি হায়দুনা করিগুম্বা মালেমদা শক্তাকপদা পোলো গ্রাউন্দ, পোলো, পোনী হায়না শক্তাকপা লানগনি।

শোক ১৮১৯-১৮২৬, চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা শগোল কাংজৈ শান্নবা খরা লেপখিবগী ৱারী থেংনরবসু অদুবু মৈতৈ লান্মী কছারদা লানচেনবদা শগোল লোয়নদুনা চৎপনা শগোল কাংজৈ অদুমক কছারদা শান্নবা হৌখি। বৃটিশ সহেবনা শগোল কাংজৈ শান্নবা উবদি কছারদগী হৌখিবনি হায় লোয়ননা তম্বসু হৌখি। রিপোর্ট ওন দি ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার ওফ বৃটিশ ইন্দিয়া (১৮৩৫) দা মণিপুরীশিংনা শান্নরম্বা শগোল কাংজৈগী মতাংদা পনবদা পোলো হায়বা মিং অসি পন্দে শিজিন্নদে (অইবা কেপ্টেন আর বি পেম্বরটন)।

শোক ১৮৫০-১৮৮৬ চন্দ্রকৃত্তিনা পানবা মতমদা শগোল কাংজৈ চাওখৎনবা হোৎনবগী ৱারী অদুমক য়াওরি। মণিপুর ভারত্তা তিন্দ্রিঙৈদা মণিপুরদা বৃটিশ সহেবনা শগোল কাংজৈ ক্লব লিংখৎনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদবদগী শিলচরদা শোক ১৮৫৯ মার্চ থাদা শিলচর পোলো ক্লব লিংখৎখিবা ৱারী লৈরি। মণিপুরনা হৌদোকচবা শগোল কাংজৈ মিং অসি পোলো হায়না মিংথোনবসি চহী স্বাইদগী সহেবনা মখোয়না খঙনবা লোলদা মিংসি মখোয়না খুদুম চনবা লৈবাক খুদিংদা খঙনহনখিবা ওইবা তাই।

মণিপুর বৃটিশনা চহী ৫০ (য়াঙ্খ্রে) হেন্না লৈবাক চুপ্লি পায়রম্বদগী নিং-খা তম্বা মণিপুর অমা ওইনা শোক ১৯৪৭ তা নিংতম্বা ফংলবা মতুংদা মৈতৈগী কোক্তা ইদা তোংদা ইংগ্রাজী লোল খরদি চুশিনখিবনরা নৎত্রগা ঐখোয় লোল লৈজদবনরা করিনো মরম অমনদি করিগুম্বা মিং অমা থোনবা (লুপ) মতমদা ইংগ্রাজী লোলনা লোয়না শিজিন্নদুনা থোনবগী চৎনবী লাকখি, ঙসিসু অদুমক শিজিন্নরি। অঙকপনি মসিসু লোলগীদমক চেনলি চোংলিবশিংনা খল্লিবসি শেমদোক্লবা হোৎনবা চংই। মতাংস্বাইদসু মহারাজ ইন কাউন্সিলনা মণিপুর ষ্টেট পোলো কমিতি হায়বা শেমখিবা থেংনরি।

অরোইবদা অমুকসু ইংরাজী লোলনা থাদ্রবদি মপান লমগী মীনা খঙলোই জ্ঞান তারোই হায়রবসু অদুমক হংজরক্কনি মরমদুনা

MANIPUR GAVE THE WORLD THE GAME OF SAGOL KANGJEI / SAVE MANIPURI SHAGOL / MEITEI SHA THE ORIGINAL SHAGOL KANGJEI SHA, IMPHAL, MAPAL KANGJEIBUNG.

সিগীদমক চাওনা ইরগা থেৎসি। লাল্লি কনামত্তনা হায়রোই। ঐখোয়না ঐখোয়গী লোলগীদমক ঐখোয়গী ওইবা লোল ঙাংসি, ঐখোয়না ঐখোয়গীদমক ঐখোয়গী লোল শিজিন্নবদা ঙাংবদা ইকাইবা লৈগুমসি ঐখোয়গী লোল লৈহৌনবগীদমক।

ইশাগী অশেংবা মিং তোম্বা, চাওবা, কৌবসিবু মালেমদা শক্তাক্লকপদা ক্লাক, চোংঙা, হৌদোং হায়দুনা খঙনহনখিবসিবু চুমগদ্রনে।

## কুমজা ২০১৮ গী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুইএফএগী অনীশুবা রাউন্দগী ক্কালিফায়িংগী মেটচশিংদা স্বিজরলেন্দ অমসুং ক্রোএসিয়া মায় পাকখ্রে

*বেলফাষ্ট। জাগ্রেব, নবেম্বর ১০ঃ*

কুমজা ২০১৮ দা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্নবা য়ুরোপকী ক্কালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ুইএফএগী অনীশুবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচশিংদা স্বিজরলেন্দ অমসুং ক্রোএসিয়া মায় পাকখ্রে।

নোদর্ন আয়রলেন্দগী কোনুং বেলফাষ্টতা য়ুম্বু নোর্দন আয়রলেন্দ অমসুং স্বিজরলেন্দনা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচতা স্বিজরলেন্দনা পাঞ্জল ১-০ দা মায় পাকখি।

নোদর্ন আয়রলেন্দ অমসুং স্বিজরলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা স্বিজরলেন্দগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং হেন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা নোদর্ন আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা নিয়ম লান্না ফাউল তৌরুবগীদমক স্বিজরলেন্দনা



*নোদর্ন আয়রলেন্দগী শান্নরোই অনীনা স্বিজরলেন্দগী শান্নরোই অমদগী বোল মুননবা হোৎনখিবা*

পেনাল্টি অমা ফংখি। মদুগী খুদোং চাবা অদু স্বিজরলেন্দগী শান্নরোই রিকার্দো রোদ্রিগেজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্বিজরলেন্দনা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী ফনা কন্না পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু স্বিজরলেন্দনা য়ুম্বু আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

য়ুরোপকী অনীশুবা রাউন্দগী ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ক্রোএসিয়ানা গ্রিসপু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমা টিম অদুগী শান্নরোই মোদ্রিকনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী এন কালিনিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিনখি। গ্রিসকী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা পাপাষ্টাথোপোলসনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী মায়কৈদগী পেরিসিকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা গ্রিসপু ৩-১ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা ৪৯শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী ক্রামারিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা গ্রিসপু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।